
# মণিপুরগী ৱুশু শান্নরোয় এম পুন্সিবা মীতৈ অমসুং সাপনানা গোল্ড মেদল ফংখ্রে




শিল্লোং/গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারি ৮ ঃ ইন্দিয়ন টিমদা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মণিপুরী প্লেয়রশিংনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং মখা তানা উৎতুনা মফম অসিদা চখরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা ৱুশু মশান্নগী ননক্কান ইভেন্টকী নুপাগীদা মণিপুরগী এম পুন্সিবা মীতৈ অমদি নুপীগীদা স্বাচাচা জটাবনা মথংশিংনা গোল্ড মেদল অমদি শিলভর মেদল অমমম লৌখ্রে।

শিল্লোংগী লাটিকোরদা লৈবা রাইজিং স্পোর্টস কমপ্লেক্স, আসাম রাইফলসতা নুপাগী ৱুশু মশান্নগী ননক্কান ইভেন্টতা মণিপুরগী এম পুন্সিবা মীতৈনা পোইন্ট ৯.২০ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি অদুগা মহাক্কী রাইভেল নেপালনা শিলভর অমদি শ্রী লঙ্কানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী সেক্সন্দা জটাবনা পোইন্ট ৮.২০ ফংদুনা শিলভর মেদল লৌখি। নেপালগী নিনা ধাটমাগরনা গোল্ড অদুগা পাকিষ্টানগী মুক্সানা অখটারনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চৈরক অসিদা ৱুশুগী ইভেন্ট অহুমদা নুপী শান্নরোয়শিংনা ফাইনেল চঙখিদুনা মেদল অহুম অমদি শোইদনা ফংলবা য়ানা লৈখ্রে। ফাইনেল চঙখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি কেজি ৫২ গীদা সনাথোই দেবী, কেজি ৬০ গীদা অরুনপামা দেবী অমদি কেজি ৭০ গীদা পুজা কাদিয়ননি। নুপাগীদা প্লেয়র ৬ সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেদলগী আশা তৌখ্রে। পনবা য়াই, ৱুশু মশান্দা গোল্ড মেদল ১৬ লৈরিবনি।

থা অসিগী ৫ দগী চখরকখিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী ঙরাং নুমীৎ হুম্নী চনবা নুমীৎ ফাওবদা শান্নখিবা মশান্নশিংগী মনুংদা ৱুশু মশান্নাদা মণিপুরগী ৱাই সাপনা দেবীনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।



নুপীগী কিলোমিটর ৪০ গী টাইম ট্রাইয়েলদা গোল্ড মেদল লৌখিবা মণিপুরগী বিদ্যালক্ষ্মী অমদি চাউবা য়াওবা ইন্দিয়ন টিম



আর্চর পি লিলি চনু

শিল্লোংগী রাইজিং সন স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নুপীগী ৱুশুগী টাউলু (চঙক্কান) ইভেন্টতা ৱাই সাপনানা অপূনবা পোইন্ট ৯.৪৫ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। নেপালগী সুস্মিতা তমাংনা পোইন্ট ৮.৭২ অদুগা পাকিষ্টানগী নাজিয়া পরভাইজনা পোইন্ট ৬.৩০ ফংদুনা মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী টাউলু (চঙক্কান) ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অঞ্জুল লমদিওনা পোইন্ট ৮.৬৬ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। শ্রীলঙ্কাগী পি এল ঐচ লক্সন অমদি পেনালগী বি জে সিঞ্জালিনা মথংশিংনা পোইন্ট ৮.৮৬ অমদি ৮.৮০ ফংদুনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল লৌখি।

ৱর্ল্ড সিলভর মেদল্লিষ্ট মণিপুরগী য়ুম্নাম সনাথোইনা কেজি ৫২ গী সান্সৌগী ৱেথ কেটগোরিদা পাকিষ্টানগী হিমা মোজামবু মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। কেজি ৬০ গী কাঙলুপতা মণিপুরগী কৈশাম অরুনপমানা শ্রীলঙ্কাগী জে এস প্রিয়াদরশিনিবু মায়থিবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

**সাইক্লিং ঃ** ইন্দিয়াগী সাইক্লিষ্ট টিমনা ঙসি গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কিলোমিটর ৪০ গী টাইম ট্রাইয়েল অমসুং নুপাগী কিলোমিটর ৭০ গী টাইম ট্রাইয়েল ইভেন্টতা গোল্ড মেদলশিং লৌখিদুনা হৌজিক ফাওবদা সাইক্লিং ইভেন্টতা গোল্ড মঙা, শিলভর অহুম অমদি ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল ৯ লৌবা ঙমখ্রে।

নুপীগী কিলোমিটর ৪০ গী টিম টাইম ট্রাইয়েল ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী ক্কার্টেট টি বিদয়ালক্ষ্মী, রুটুজা সাটপুটে, জি মনিশা অমদি চাওবা দেবীনা ৫৯:২৩.৫ সেকেন্দ য়াংনা থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। শ্রী লঙ্কা অমদি পাকিষ্টাননা মথংশিংনা শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপাগী কিলোমিটর ৭০ গী টিম টাইম ট্রাইয়েলগী ফাইনেলদা হোম টিমগী অর্ভিন্দ পানৱার, মঞ্জীৎ সিংহ, দীপক কুমার রাহি অমদি মনোহর লাল বিশনোইনা ২৯:৩৭.৮৪০ সেকেন্দ থৌদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। পাকিষ্টান অমদি শ্রী লঙ্কানা মথংশিংনা শিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

ঙসি বিদয়ালক্ষ্মী অমদি অভিন্দর্না গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিনা মখোয় অনীগী অনীশুবা গোল্ড মেদল ওইখি। বিদয়ালক্ষ্মীনা নুপীগী কিলোমিটর ৩০ গী ইন্দিভিজুয়েল টাইম ট্রাইয়েল ইভেন্টতা অদুগা নুপাগী কিলোমিটর ৪০ গী ইন্দিভিজুয়েল টাইম ট্রাইয়েলদা অভিন্দর্না গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

ধাকাদা পাঙথোকখিবা অরোইবা এদিসন্দা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩ অমদি শিলভর মেদল অমা লৌখিবনি।

**আর্চরি ঃ** ইন্দিয়ন কম্পাউন্দ আর্চরি টিম অমদি মিক্স পিয়রগী কম্পিটিশনগী ঙসি শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমখ্রে।

কম্পাউন্দগী ট্রাইও পুরভাশা লেন্দে, জয়োটি ভেন্নাম অমদি মণিপুরগী লিলি চনুনা মখোয়গী ওপোনেন্ট বংলাদেশপু ফাইনেলদা ২২৮-২১৭ তা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী আর্চরিগী একাউন্ট হাংদোকখি।

এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট অভিশেক ভর্মা য়াওবা ইন্দিয়ন মেন'স ট্রাইও রজট চৌহান অমদি মনাশ জয়োটি চাংমাইনা মখোয়গী মায়োক্ন খিবা ভুটানিজবু ২৩০-২১৯ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অনীশুবা গোল্ড মেদল লৌখি।

দেল্লিগী আর্চর অসিনা পুরভাশাগা পাদুনা মিক্স পিয়রদা বংলাদেশকী পিয়র সুশমিতা বানিক অমদি মোহম্মদ অনোৱেরুল কাদারবু ১৫৬-১৩৮ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অনীশুবা অদুগা ইন্দিয়াগীনা অহুমশুবা গোল্ড মেদল লৌখি। ইন্দিয়ানা মখা তানা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অনীদগী হেন্না লৌনবগী খুদোংচাবশিং লৈরি।

**স্কাস ঃ** ষ্টার প্লেয়র জোশনা চিনাপ্পানা নুপীগী ইন্দিভিজুএল স্কাসতা পাকিষ্টানগী মরিয়া টুরপাকি ৱাজিরবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মালেমগী রেঙ্ক ১৪ শুবদা লৈরিবা টোপ শীদ চিনাপ্পানা অহানবা সেটতা মায়থীখ্রবা মতুং মতিং লৈনা শান্নরক্তুনা অনীশুবা সীদেদ ৱাজিরবু ১০-১২, ১১-৭, ১১-৯, ১১-৭ তা আর জি বরুৱা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। মসিগী গোল অসিনা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা স্কাসতা মেদল অহুম লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী সৌরভ ঘোসল অমদি হরিন্দর পাল সিংহ সন্ধুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মখোয়গী ওপোনেন্ট পাকিষ্টানগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

**টেবল টেনিস ঃ** ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীগী টেবল টেনিস টিম্না য়াম্না লায়না মখোয়গী মায়োক্নখিবা টিমবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী মেন'স অমদি ৱিমেন'স পেদ্দলরশিংনা মখোয়গী তৌবা ঙম্বদু উৎতুনা টিম ফাইনেলদা মথংশিংনা শ্রী লঙ্কা অমদি পাকিষ্টানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা গাল্ড মেদলশিং লৌখিবনি।

নুপাগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়াগী এ মলরাজনা শ্রী লঙ্কাগী উদয়া রানাসিঙ্ঘেবু ১১-৯, ১৩-১১, ৬-১১, ১১-৮, ইন্দিয়াগী জি শাথিয়ননা শ্রী লঙ্কাগী রোহন শিরিসেনাবু ১১-৩, ১১-৩, ১১-৩ অমদি ইন্দিয়াগী সানিল শেত্তিনা শ্রী লঙ্কাগী নিরমলা জয়াসিঙ্ঘেবু ৮-১১, ১১-৩, ১১-৭, ১৩-১১ দা মায়থীবা পীখি।

সেমী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৩-০, শ্রী লঙ্কানা নেপালবু ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

নুপীগী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। মেচশিং অদুদা ইন্দিয়াগী সানিকা বত্রানা পাকিষ্টানগী রথীলা কাশিফপু ১১-২, ১১-৬, ১১-৬, ইন্দিয়াগী মৌমা দাসনা পাকিষ্টানগী শবনম বিলাইবু ১১-৭, ১১-৪, ১১-৪, ইন্দিয়াগী কে শামিনিনা পাকিষ্টানগী জয়শা অন্সারিবু ১১-৩, ১১-৩, ১১-৭ তা মায়থীবা পীখি। সেমী ফাইনেলদা পাকিষ্টাননা শ্রী লঙ্কাবু ৩-২, ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

**বেদমিন্টন ঃ** ইন্দিয়াগী নুপী বেদমিন্টন টিম অমদি নুপা বেদমিন্টন টিম্না মখোয়গী মায়োক্নখিবা নেপাল অমদি অফঘানিষ্টানবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** নুপীগী ফুটবোলদা নেপালনা য়াম্না লায়না মালদিভসপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী লীগকী অনীরকশুবা মায় পাকপা ওইখ্রে। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা শুংশোই শোইদনা ফাইনেল চঙলবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা নেপালনা দোমিনেট তৌনা চৎখি। নেপালগী প্লেয়র সাবিত্রা ভন্দারিনা য়েৎলোম থংবদগী পাস তৌখিবা বোল অমা টিমমেট অনুলামানা ওক্লগা মালদিভসকী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মেচকী মিনিট ৮৯ চৎপা মতমদা নেপালগী নিরু থাপনা ফজরবা বোল অমা য়াম্না নকপা মফমদগী মালদিভসকী গোল পোষ্টতা কাওশিনখিদুনা গোল অমগা চন্দুনা মায়থীবা পীখি।

**ৱেষ্টলিং ঃ** সাউথ এসিয়ন গেমসকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ৱেষ্টলিংদা ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌদুনা চৎলি।

কু মজা ২০১৩ গী এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ৱিন্নর অমিট ধাঙ্করনা মেন'স কেজি ৭০ গী ফ্রী ষ্টাইল, প্রদীপনা কেজি ৬১ গী ফ্রী ষ্টাইল, নুপীগী কেজি ৫৩ গীদা মমাতা অমদি কেজি ৫৮ গীদা মঞ্জু কুমারিনা গোল্ড মেদলশিং লৌখি। অদুগা গোপাল যাদভনা নুপাগী কেজি ৮৬ কী ফ্রী ষ্টাইলদা শিলভর মেদল লৌখি। ফাইনেল মেচতা পাকিষ্টানগী মোহমদ ইসামনা গোপাল যাদভপু নমহৎলমখিবনি।






ৱুশু শান্নরোয় য়ুম্নাম সনাথোই

নুপীগী সেক্সন্দা ইন্দিয়াগী মঞ্জুনা কেজি ৫৮ গীদা শ্রী লঙ্কাগী দল্লিয়ু ৱীরাবাহুবু ফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীখি। মমাতানা শ্রী লঙ্কাগী পি ৱিজেসিঙ্ঘেবু নুপীগী কেজি ৫৩ দা ৪-০ মায়থীবা পীদুনা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মরিশুবা গোল্ড লৌখি।

**SAG Games 2016 Medals Tally**

| Country | Total Points | Gold | Silver | Bronze |
|---|---|---|---|---|
| INDIA | 53 | 20 | 6 | 79 |
| SRI LANKA | 11 | 27 | 23 | 61 |
| PAKISTAN | 4 | 11 | 14 | 29 |
| BANGLADESH | 3 | 7 | 21 | 31 |
| NEPAL | 1 | 4 | 7 | 12 |
| AFGHANISTAN | 0 | 2 | 5 | 7 |




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com